# ককচীংগী নোংচুবী চীঙ্গোন্দা নোংলাউ লাউদুনা ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোকপা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

ঐগী ৱারেংসি লীচৈ নিবা ওইনা থোক্কদৌরিবরা খঙদে। থাংজ নুমিৎসিদা ৱারেংসি ইরিঙৈসিদা নোংসু তারি, ঈশিং ঈচাওগী ভিদিও ময়াম অমসু সোশল মীদিয়াদা অতৎ-অখম লৈতনা থাগৎনরক্লি। য়ুম-কৈ খরসু শাফূ কল্লবা ঈথক ঈরৈনা চেন্থরিবসি উবদা তু-মান খ্যাও-খ্যাও চুংই। নোং-নুংশিৎ, য়ুহা হাবা, ঈচাও-ঈকং তম্বা ঙম্বা নত্তে। কনানা হায়বা ঙম্বনো, মহৌশা লাইরেন্বীনা শান্নবা কুম্মৌবু। ঙসি ঈচাওগী চৈথেংনা ইমা করম্লো হায়বা য়ৌনা ৱানরি। নুমিৎ খরনি মতুংদা নোং ফৎ হাইগৎখ্রগা মৈবুলগা পাঞ্জক ওইরবা কোরৌহনবা য়োইময়াই তাউদনবা নুমিৎ মাগী মমীৎ অদু খংলঙ লঙখৎখিবদগী উইশিল্লো য়াদনা অদুম লৈখিবসু য়ারিপোৎনি। হঙোই, হারি নোংনাংনচিংবসু মকুম মথানি কাউবমখৈ মরোন থোক্তনা লৈখিবসু য়াই। ঙসি নংলিবা ঈচাউগী অৱাবসিনা ঈকংগী অৱাবা ওইনা ফৎ ওন্থোরকপসু য়াই। লৈবাকপোকপা নুমিৎ, মীয়াম্না ঐগী ৱারেং অসি পাবীগদবা নুমিত্তদি নোংসু লেপখিবা য়াই, লেপখিবসু ওইসনু। থাঙ্গৈশেংবদি ঐগী ৱারেংসি ঈকং থোকপা মতমদা ওইরগদি হেন্না চুশিন্নগদবনি। ওইনীংবা ওইজরসনু খন্না খূৎ থাজরে।

ইঙা-ইঙেন তুংথা মাঙথা লাকপা মতমদা ঐখোয়না মরু ওইনা লৌমীশিংনা খ্বাইদগী হেন্না মিপাইজবসি কুম কাংগদরা, লৌ পানবা য়াররোইদরা হায়বসিনি। মমাঙৈ মতমদগী হৌনা মীওই কাঙলূপ অয়াম্বনা মা মাগী থাজনবী মতুংইন্না ঈরাৎ থৌনি কয়া পাঙথোক্লরম্মী। পূন্সিরোল অমদি খুন্নাইরোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক লাই-তীন্না থোকহনবনি, হায়জ-চঙজদুনা মথৌ মঙম পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা তীনয়েৎ লাইয়েত্তুনা অৱা চৈথেং পী হায়বগী থাজনবী ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী কোক্তা অদুম্মক চূশিন্দুনা লৈরি। হায়রিবা ঈনাৎ থৌনি ময়ামগী মনুংদা ককচীং উয়োক চীং হায়না খঙনবা (হৌজিক্লা ককচীং গার্দেন হায়না মিংথোন্দুনা টুরিষ্ট সেন্টর ওইনা শেমগৎখ্রবা) চীং অসিগী নোংচুপ থংবা নোংচুবী চীঙ্গোল হায়রিবা মফম অসি ঈরাৎ থৌনিরবদি নোং চুরক্তুনা ঈকং থোকপগী অৱাবা কোকহল্লি হায়দুনা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা মথৌ মঙম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অহল-লমনশিংগী মচীন্দগী তাজবদা নোং থৈদোকপগী মথৌ মঙমসু লৈ হায়। ঐখোয়না তৌজরকপা হায়ববু শুমাঙ কুম্মৈ, থাবল চোংবীনচিংবা লৈবা নুমিত্তা নোংনা মথুম-মরাং হৌরক্লবদি মাবু নমথেক্লবা হায়দুনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা নুপীগী চাকখুমদগী থুমফূ হুরানবা অমদি শেঙ্গম/পোলাংখোক্তা পোলাং য়ানবনি।

*নুঙলোন* পুয়াদা ইরম্বা মতুংইন্না সরারেল অমসুং কোরৌ ঙাংসবীগী মচা ওইনা নুঙ তরেৎ পোকখি। হায়রিবা নুঙ তরেৎ অসি নোংচুবী চীঙ্গোন্দা লৈখিবগী মতাংদা অসুম্না ইরি - ***ককচীং নোংচুবী চীং মতোন্দা নুঙ তরামাথোই লৈএ। মদুদি সরারেলগী মচানে। মমাদি কোরৌহনবা কৌএ। ঙাংসাবী কৌএ। মানা মচা পোকপদি তরেৎনে। অদুবু নুঙদা মপোকএ। হে সরারেল-ও। ঐদি ইকাইএ। ঐগী ইচাদি। নুঙদা মপোকএ। পোইরৈ চাদোলনা। ৱাঙম সুতোলকী। মমাঙদা ইকাইএ। হায়না ৱাকৎখিএ। হে নুঙ তরেৎমা নঙখোয়দি। নোংচুবী কৌনা লৈরুরো। হয়েং কুম অমদা। নোং তাদরবা। নপাদি সরানে। নমাদি কোরৌ ঙাংসাবীনা পোকপনে। নপা নমাসু নীংশিংলকও। নতা নাবী চাসুঙ নীংশিংলকও। সাগৈ ঙাইসু নীংশিংলকও। নঙনা কপ্পা নপিনা। নোং ওইনা চুসুনো। হায়খিএ। মফম অদুবু নোংচুবী চীং কৌএ। (নুঙলোন)***

মতৌ অসুম্না চীং অসিগী মিংলেন অসি মতৌ করম্না থোনখিবনো হায়বগী লাই থাজ ৱারী অসিনা তুংগী মীরোল খুদিংমক্তা পাউদল্লি। কুম কাংদুনা মীপূম খুদিংমক ৱাবনা পন্দোম লোম্নরবা মতমদা চীংথক অসিদা ঈরাৎ থৌনিদুনা নোং চুহল্লি। থন্বীরিবা ৱাফম মতুংইন্না ঈরাৎ থৌনিবদা কৎপা পোৎচঙশিংসি ককচেং মহুম, শগোলহীদাক মপাল, খূচুম পেরে, হী অমনবগী য়োৎপী অমসুং চীগোংলৈ মরূনি। ঈরাৎ থৌরম অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবা ক্ষেত্রি তোঞ্জাউগী খূৎইদা য়ূম্ফম ওইরগা খোগেনচন্দ্র নাওরেমনা ইথোকপা মতাং অমা লৌখৎচরি। থমাবীরম্বা মতুংইন্না থুমখোং লোকমাঙ (থুমখোংমাঙ) গী শমপ্রুম মরীন নোংচাইখোংদা লৈবা ঈফূৎ থোকপা থুমখোংগী মথক্তা থোল্লা অমা শারগা থন্মী। হায়রিবা অসিগী মথক্তা থাকন খন্দুনা থন্মী। থোল্লা মথক্তা মনীংদা মখুন হুৎপা চফূ ফূহিং অমা থমগনি। মনীংগী অহোবা মখুল অদুদা তিংথৌ মতোন তরেৎ নৎত্রগা মাপন থিনজিল্লি। ঙানোই অমা চফূ মনুংদা হাপকনি। চফূ মনুং অদুদা ঈশিং হৈজিল্লগা মচুম তৎ-তৎ তাহল্লি। ঈশিং তারক্লিবা মফম অদুদা সেংমাই নিংথৌগী খূনেৎহি মচেৎ অমা থন্মী। হৈ মনম নাইবা অমা, লৈশং অমা, ক্বা, শেল, লফোই লফাং চঙ থোকপা অমা, কামশফি অমা, খোঙজি অনী, নাচি অনী হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কৎলগা অমাইবা অমাইবীনা খূবাক অহুল্লক খূরগা লাইগী থেল্লোন অসুম্না শকই-

***হে কুরু চিংউ নোংথৌ সরারেল নমু পোংহনবা/ইথৈ নিংথৌ পলেম অনীগী খুয়াখাদা/ঙসিসি থবি শেংই থবা লংই হায়দুনা/ঙমজবা পোৎলম চৈরম খরদং কৎচরি/ননাই তাইবঙ ঐখোয়বু লাইজ ফংদদুনা ইচা ইশু থাকপা ঙল্লরোই/লাইজ পীনবিয়ু হে কুরু***

মদুদগী অমাইবা অমাইবীনা চিংলগা মীয়াম্না নোং লাউর-লাউরগা লাক্লগা নুঙ্গায় চীংজিন্দা কোনয়াই অনীগা লোয়ননা হৈ-লৈ কৎলম্লগা নোংলাউ লাউই। মনীং মহাদেব চীংদগী নুঙ লৌরুরগা নোংচুবী চীংগী থুমখোংদা মফম খঙনা থাদরগা থন্মী। য়েন্দ্রেম্বম শাগৈ ইমুংগী য়াংকোক, শূক-শূম্বল, চফূ-উয়ান, খাবৈ-চেগপ নুঙ অদুগী মনাক্তা কূপশিন্দুনা থন্মী। মদুদগী খোংনাং ঈশিং চাইবীগীদমক য়েন অমা য়েলহিং থারগা নোং লাউই। করিগুম্বা নোং হেঞ্জিন্না লেপ্তুনা চুরবদি মোইরাংথেম শাগৈগী মীনা নুঙ অদু থুমখোংদগী লৌখৎলগা লৌরকখিবা মফম অদুদা অমুক হন্না থম্লুই।

পুম্নমক অসি থাজনবীনি। অদুবু অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী নোংচুবী চীঙ্গোন্দা নোং লাউরি হায়বগা নোং তারকপসি থেংনজরে। মসিননি ইপা ইপুশিংনা ঈরাৎ-থৌনি থৌরমশিংদা অচেৎপা থাজবা থমদুনা মথৌ মঙম কয়া পাঙথোক্লরল্লিবসি। লাইগী লাইচৎলোন্দি পরম কায়দনা অদুম্মক লৈজবনি। মী ঐখোয়না হৈমন শিংমনবদগী মখোয়দা লঙজবা থৌওং থৌচৎ কয়া চত্থবৈ ৱানি। চীন্দা পনবু পন্নীংদেদা। ইবুধৌ থাংজিংগী লাইবুংদা ফন ফা ফন ফা চোংখিবগী ৱাথোক্তু...। থোরকখিদৌরি চোংলম চাদবা ময়াম অমা। মরমদি ঐখোয়গীসে খোঙবীদগী খোঙনাও ফাওবা খেরাং থাংবা মখে লাংনীংবৈ লাংনীংবা ঙাক্তা ঙায়রে। লাইগী মীগী চৎন-কাঙলোন থুগায়রগা পেঞ্জবা মী মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লে। মসিদদি চীংঙু খোয়ুম লাইনা চৈরাক মথং মথং পীরকপা তাবনি। অৱাবা নংহল্লবা মীয়ামগীদমক কাইথরকপা পোৎলমশিং হেক হেক চাথোকপা উচিশিংসু হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওসিদা তাউথখ্রদি...! ●

# ভিয়েৎনাম চৎলুবগী হোংলকপা ৱাখল - ২

**- নবকুমার ওইনা -**



নোং মঙবনরা খঙদে শান্নরিবা অঙাংশিংদু ফুরিৎ লিৎনদে। খুঙ্গংদুগী মনাক্তা লম্পাক মচা অমদনি, য়ূমশিং অদুসু পীক্তক পীক্তক তৌই। অয়াম্বনা চেকয়ূম ওইরে, অমা-অনী ঈনা কুপ্পশিংদু থাও তৈরগা শমচেৎ হাৎপগুম্না নাল্লি। মীদি লৈতবা শঙ্গোয়সু মাল্লি, লম্বী মচাদুসু শিৎ নাল্লি। উ-ৱাসু য়াওনা পুল্লপ নাল্লি।

শান্নরিবা অঙাংশিংদু ঙৌই, অমত্তা পোত্থারগা লৈবা উদে। কাওনরিবদু বোল ওইরম্মী, অয়েংবা মীসু অমত্তা লৈতে। গোল পোষ্ট য়ুংদে, চৈ মচা অমা ফাওবা য়ুংবা উদে। লৌশঙ অমা অনীদগীদুম খুঙ্গং ওনখিবা মাল্লকই। খোংজোম য়ৌরবোই নীংলকই য়াম্না মান্নৈ। খেন্নরিবা অমদি খুঙ্গং খুদিংগী ফুরা মচা-মচা ফুট অনী-অহুমদগীনা মঙা-তরুক ৱাংবা কুন-কুন্থ্রা লৌবুক ময়ায়দা লৈবদুনি। সিটিগা কয়া খেন্নরবনো, ঐখোয়গী ফুরাগা মান্নদে। শাইজিন মতোন থেক্কৎপীদুনি, মচুসু অঙাংবা শঙনৈ, লাইখন তাবা অয়াম্বনি। মঙফমগী লমদি মরাং কায়রি।

য়ৌখিবা খঙহৌদে খজিক-খজিক ঙমখৎখি খল্লি, চীংথক অমদা গাড়ীদু থারে। কম্পনিদুগী ওফিস ওইরম্মী, দার্জিলিংগা মান্নৈ, চাউবদি তরা-কুনমুক্তা ওইগনি। হোটেল অমদা নুমিৎ নীনি লৈগদৌরিবনি, ঙম্বনিনা টেক্সি কৌরে, য়াম্না লৌদে, ঐখোয়গী লুপা চাম্মরোমতনি। অয়ূক্তগী লাকপনি চাক অদুম নীংশিংই, হোটেলদগী লম্বী অশম্বা তাক্লকই। হোটেলগী হোটেল ঙাক্ত, দুকানগা হোটেলগা মশীং মান্নরমগনি খল্লি। ময়ায়দা হায়গদ্রা, গেল্লরি য়াওবা লম্পাক মচা অমগী মনাক্তা চর্চ মচা অমসু লৈ, মী য়াম্না তিন্দে। বুদ্ধিষ্ট মরক্তা খৃষ্টিয়ান, অসিদসু লাইনীং হায়বসি মনীংদি তম্নবজাৎনি। চাফমদদি থোইনা খেন্নদ্রিবনা করিগীনো খল্লি। ইন্দিয়া নত্তে খল্লকই। অপীকপা হোটেলদা চাক য়াওরমদৌবা মাল্লুদে, 'দুম য়াওরম্মী। চেকশিন্না য়েংলিবদি শা-য়েন মখলদুনি, এঞ্জাং ওইনদি য়াওদে, শুপতা পোপ তায়, নুদলদু ফনবু হৈনরে। চাকসু চায়।

লিতিং ম্যুজিয়ম অমনি হায়, টিকেট ককই, চীংখোঙদা কুমথরিবনি। উগী পান্থৈ পায়রগা কুমথবদু খরা নোয়বা মমাদি খূৎ পায়রগবু য়ান্নরিবনি। শোয়বা য়াবা নত্তে, খজিক্তং শোকপদা ইম্ফালগী হোস্পিটালদা লায়েংগদবা নত্তে। চীং অনীগী মরক্তা চেন্থবা তুরেলনি। ঐখোয় শ্বায়গা ইমান মান্নৈ। খেন্নরিবসি মীশিংনি, খুঞ্জাশিং য়াম্না লৈবা নত্তে, চীংগী খুল অরিবনি। ঈনা কুপ্পী, উবাক্লা ফক্লাং খাবদুনি, অনৌবা শঙ মচা-মচাদা দুকান ময়ামসু লৈ। মুগা লং নায়বগী মৈদা ফুৎপা লংহন ময়ামদু হনুবা-হনুবী অহুম মরিনা হৌজিক-হৌজিক তৌরগা লৈরম্মী। শঙ অমদনা মৈফমদু মৈ থারম্মী লব (শাগায়) মথক্তা শা মশাং-মশাং ময়াম য়াল্লি। চুজাক ময়াম য়াল্লি। চাবা য়ানবা নত্তে, লৈকাং চুরবা, য়েংনবগীদমক্তা থল্লবনি। য়ু খরুং, থাঙ-তা ময়াম লৈ, নুঙগী চক্রি, ঈশিংনা ফৌ শুহনবা শুম্বন, ঈশিং চিংখৎনবা মেরি-গো-রাউন্দ মানবদু উংলগা লৈরি। হৌজিক ঐখোয়গী চীংনুংদা লৈরিবা খুল অমগা চপ মান্নৈ, মখোয়গীনা ম্যুজিয়ম ওইখ্রবনি। খেন্নবদি ময়াম লৈ। লম্বী মপান, য়েৎনাকখা-লুকখা লৈগী লৈঙাক্তা শাৎলি-হৌরি। মখোয়গী নাৎকী ফিজোল শেৎলগা লৈরিবা নুপী ময়ামদু মপানগী নুপী অঙৌবী অৱাংবী ঙাক্তা ওইরম্মী। ফোটো কাপ্পরি, ভিদিও নম্নরি। তুরেলগী ঈশিংদু য়াম্বা নত্তে, খোঙউপ লৌথোক্লগা, ফি চিংখৎলগা কুম্লগা ৱাটর ফোল মনাক্তা কেমেরা মমাঙদা পোজ তৌবা ময়াম উরি। থোয়না মুন্না য়েংলুদে, ফম্বাক হারগা শারিবা য়ূম ময়ামদু খরা নৌবসু য়াওই, হোটেল ঙাক্তনি। ফিজোলদু ময়াম য়াল্লি, ৱায়রগা শেৎপা য়াবা ওইরম্মী। চানবদি বজারদা ফংবদু লোইনা ফংই। কোফি, য়ুবী, উহৈ চারিবা ময়ামদু ফম্লগা লৈবা য়াওনদে। মতায় ওইরপ অরোয়বা হায়ববু য়ারে। হোটেল মচা অমদা চঙলে, ফমথদ্রি, 'লোকল ৱাইন' হায়ববু পাউ ফাওনদে। 'ৱাইন-ৱাইন' খূৎনা থাঙ্গৎলগা থকপদু উৎলি। অঙাংদু নোকই, খুৎপীমুক ৱাংবা গ্লাস মচা অমদা হৈরগা পুথোরকই। হায়ফেৎ ঙক্লা য়েংলগা পায়রে, 'হাও-মচ্চ' হায়রুবনি। মদুমদি মহাকসু খঙলম্মী 'ফ্রী' হায়রকপনি। ফিংবসিসু শোয়গল্লি, থকপদু খরা হারে। মহাক্লা 'ৱাটর-ৱাটর' হায়রগা ঈশিং গ্লাস অমা পীরকই, 'থেঙ্ক য়ু'। গ্লাসতু থম্বদা ঙায়রি, গ্লাস মচাদু অমগা লানশিল্লকই। পায়রগা মুন্না য়েংই, য়ুদু নত্তে, মাগী ৱা খঙবা মওংদুনি। মদুসু ফ্রিনি হায়রকই। চনীং তানা শায়রগা য়োৎলি। ঙক নোম্মী, নোকমিন্নৈ। ইথা থাজদনা হোটেলদু নাল্লি। মথক্কী কাদা কাখৎলু হায়রে। মমা-মচাদু খূৎ খৎলগা কৌই। কোফি থক্কদ্রা, য়ুবী থক্কদ্রা, শঙ্গোমসু ফংই। মমানা গ্লাস মচাদুমা উরগা, 'অমুক থক্লব্রা'। লৈবা নত্তে, পীরকপনি হায়রে। করি চাগনি, কোফি থকসিরা? য়ুগী ৱাদু নত্তে, মথক্কী টেবল ময়াম থারগা ফাষ্ট ফূদ চাফমদুনা ইথা-থাজদনা য়াম্না নান্না লৈরম্বদু কোয়না য়েংনৈ। য়েংথোকখিবদসু কয়াদি ফজ রে, চীংমায় অদুনা পুমশং শংলি, নাকল অমদনা মপানগী মীয়াম্না ৱায় চায়রি। লোক্তাকতনা উচেক ফাবগী, শা ফাবগী লাং ফাগৎনরি, অসিদনা শেল ফাগৎপগী লাংদা ঐখোয়সু থুরে, শেলদু মাঙলবদি নত্তেদনা।

নুমিদাংৱাই ওইরক্লবনি, মীশিংদু হন্নবা হৌখ্রবনি। চাকতু অসিদগী চাথোকখ্রসি খন্নরে। মেনুদু চেনা অমত্তনি, য়েন অয়াইবা, চাক, শা অশেৎপা খরা হায়খ্রে। ঙাইহাক ঙাইরগা মখাদা মখোয়না শেল্লিবদু য়েংলুই। মৈ থাগৎলগা য়াইবা হৌরে মখা ঙাইহাক লৈরগা অঙাংদুনা ঈশিং বোট্টল অহুমগা ফোক, চামচ থম্লরে। ঐঙোন্দা য়েংলগা নোক্লম্বদু ঙসাইগী হাবদুগীরা খল্লিঙৈ গ্লাস মচা অমগা পুখৎলকই, 'থেঙ্ক য়ু' হায়খি। মমানা 'ঙাওরক্কনিকো'। ঐনা থৌনা লৈনা খুম্মী, অতিংবা হায়বদুনি, মদুদা চুম্ব্রে তিংবনি, নখোয়গী বিয়ার হায়বদুনা হেন্না য়াকই। হাওরিবদি, মানা ফ্রী হায়রম্বদুনি, হাওরিবা অদুগা মানা ফজরিবা রিসেপ্টসন অদুগা পুনবদুনি ঙক্লিবা। চাক থাংদোরক্লে, চাকহাও মনম নম্লগা ইরং লংবা চাক্তুনি। য়েন অয়াইবদু মহাউ অমনি, ব্রোইলর নত্তে, চীংয়েন হায়নবা পীক্তক তৌবদুনি। ওক অদুসু নখাং তেকপা, মশক থীবা অমুবা মচাদুনি, লম্বীদা উরম্মী। থুম য়াওদনা, মোরোক য়াওদনা হাউবা হায়বসু লৈ। পুক থন্নবা চাগদ্রা হায়বগী ৱাহং অমদি পূক্লিংদা ফাওরি। থক্লগা থম্লবা গ্লাস মচাদু পুখ্রগা তিল্লৌ খরা থম্লম্মী, 'চিলি' হায়রুবনি, করিনো অমা খুম্লম্বনি, খঙদে। ঙাইহাক লৈরগদি মোরোক অতেকপা অশংবদু মচা অমা-অনী পুরকই, হৌজিক্তা হেক্লুবসু মাল্লি, হৌবা উরম্বনি। ফজ রিবদি অরোইবা ওইনা পীরিবা গ্লাস মচাদু থম্লগা, মখূৎনা পায়শিল্লো হায়বগী সাইন অমা তৌরম্বদুনি। ঐনা শৎ-শৎ থক্তোকখিবদু লানবা ওইরম্বসু য়ারি। খজিক-খজিক চিংলগা থমগদৌবা ওইরম্লবদি কমদৌবা? ঐসু অন্দ্রোগী অদুমহায়না তৌগদৌবা ওইরবদি, ইকায়ববু য়াই। শেল পীবদুদা মদুগী য়াওরম্বসু য়াই, টিপস পীনরম্বসু য়াই।

কাউরে, 'থেঙ্ক য়ু, মাই সন' খূৎ শোক্নরগা কোল্লম্মী। ● *(মখা চত্থজরকখিগনি)*

# 'দি বেট্টল ওফ হোং কোং' দা হিংহৌবা মীওইশিংনা তম্বা লানফম অসিগী মীৎনা উবা পাউদম - ২

**- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -**

হোং কোং ঈথৎতা হন্দোকপগী ৱাফম অসি চুন্নে হায়না ফোঙদোকপা কোলোনিয়েল গভর্ণমেন্টকী ৱারোল অদুদা চাইনিজ লান্মীশিংগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তসু পনবা তৌদে। মখোয়দি খা মায়কৈদা লাম্থেংনদুনা লৈবনি (টাইপোদগী লাপ্পা)। "ঐখোয় পূম্নমক ইশাগী লানবন মনুংদা লেঙদনা লৈরে অমসুং মতাংনা-মতম্না খুদোংচাবা পীরক্ত্রিবমখৈদি ঐখোয়না য়েক্লবদগী ঙাকথোক্তুনা লানবন অসিদা লৈগনি" হায়না এন্সলোনা ইরি।

*ৱীন্ধাম ষ্ট্রিটকী এস সী এম পি বিল্ডিংদা লৈবা* **সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী** *এদিটর হেরি চিংনা দিসেম্বর ১২দা ইরম্বা দাইরিগী মরোল* - "ঐখোয় হৌজিক ইশাগী য়ূম মনুংদগী হেন্দোকপা ঙমদনা লাঙ্গৈাই চন্দুনা লৈনরে, অদুবু অশোয়-অঙাম থোক্লোই হায়নদি খনবা ঙমদে। কোওলুনগী চীংশিং অসি অঙকপা অমসুং অকিবগী মশক ওইরক্লে। মহৌশা য়েংবা নুংঙাইরম্বা তাম্লবা অতিয়াগী ঙমখৈ অসি ঙসিদি ঐখোয়গী পূক্নীংগী মীৎয়েংদা তমথীরবা শক্লোন অমা ওইনা উরে। অফবা ওইরক্কনি হায়বগী ৱাখল পূম্নমক মাঙখ্রে...।"

শিঙ্গাপোরদগী বৃটিশকী তেংবাঙবা লান্মীশিং জহাজনা পুরক্কনি হায়বা ৱাশক অসিসু মলয়ান পেনিন্সুলাগী সমুদ্রদা জাপানিজশিংনা ঐচ এম এস প্রিন্স ওফ ৱেলস অমসুং ঐচ এম এস রিপলস হায়রিবা লানগী জহাজ অনী অসি ঈশিং মনুংদা লূপথহনখিবগী পাউ শন্দোক্লকপগা লোয়ননা থাজবা ঙম্নখিদে। অদুবু বৃটিশকী প্রাইম মিনিষ্টর ৱিন্সটন চর্চিলদি মহাক্কী "কৈদৌনুংদা সরেন্দর তৌরোই" হায়বা ৱাখল অসিদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তনা চোইথোকহনবা ঙমখিদে।

*দিসেম্বর ১২দা চর্চিলনা হোং কোংগী গভর্ণর মার্ক য়ংদা থাখিবা টেলিগ্রাম অমা-* "নহাক্লা হোং কোংগী হিথাংফম অমসুং লানবনবু নীংহন্নবা লৈতনা ঙাক-শেনবা অদু ঐখোয়না নুমিৎ খুদিং অমসুং পুংজা খুদিংদা য়েংদুনা লৈরি। নহাক্লা, ফার ইষ্ট অমসুং য়ুরোপ অনী অসিবু শম্নহনবগীদমক্তা মতম শাংনা মমিং লৈরক্লবা মরী অমবু ঙাক শেল্লি... নুমিৎ খুদিংগী নহাক্লা পন ওইনা থিংদুনা লৈবা অসিনা ঐখোয়গী লেঙদ্রবা মায় পাকপা অদু হেন্না নকশিনহল্লক্লি।"

বৃটিশনা য়াম্না লুবা ফীভম অমদা লৈবা তারবসু, জাপানিজশিংনা দিসেম্বর ১৩দা অমসুং অমুক হন্না দিসেম্বর ১৭তা সরেন্দর তৌ হায়না তকশিল্লকপা মতমদা য়াখিদে। হোং কোংদা লৈরিবা রোয়েল নেভিগী ফীভম অসি খোঙলৈ থুনা অবেরদিনদা থম্বা মোটোর টোর্পেদো বোট তরুকখক্তংদা হন্থরক্তুনা ঈথৎ অসিগী খুদোংথীনীংঙাই ওইবগী চাং ৱাংখৎলকখি।

ফিফ কলম্নিষ্টশিংনা হোং কোং ঈথৎতা লৈবা চীংমায়শিংদগী ফ্লাশলাইটশিংবু সিগ্নেল ওইনা শীজিন্নদুনা, কোওলুনদা লৈরিবা জাপানিজশিংদা বৃটিশকী নোংমৈ থম্ফমশিং অদু খঙহল্লকখি। মদুগী মতুংইন্না জাপানিজশিংনা মখোয়গী আর্টিল্লরিশিংগী মায়ওন হোংই। লুট তৌবা অমসুং বৃটিশকী খূৎশু-খূৎলায় মাঙহন-তাকহনবগী থৌওং অঙকপা ফংনা চত্থখি।

চাইনাগী ট্রাইয়াদ গেং হায়না খঙনবা মীওই অহুম্না শাবা দাকু খূৎপুশিংনা, চাইনাগী মীয়ামদা মখা তানা মীশি-মীনা থোকহন্দনবগীদমক্তা, লেপ্পা লৈতনা বোম থাদবা অমসুং মীচম হাৎলিঙৈ চৈরক অদুদা লান অদু থুনা লোইশিন্নবা হোৎনরকখি। মখোয়না দিসেম্বর ১৩গী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ তাবা ফাওবগী মনুংদা হোং কোং ঈথৎতা লৈবা ককেশিয়ান ফূরুপ পূম্নমকপু হাৎনবা থৌরাং তৌখি। জাপানিজ দোক্যুমেন্টশিংদা ট্রাইয়াদকী খূৎপুশিং অসি জাপানিজ আর্মি ইন্টিল্লিজেন্সনা শেল পীদুনা লৈবনি হায়বসি উৎলি। হায়রিবা থৌরাং অদু বৃটিশনা মীহাৎ-মীপূনগী থবকশিং অদুবু তোকহন্নবগীদমক্তা পীবা য়াম্লবা শেনফম কয়া ফংনবা ট্রাইয়াদশিং অসিনা তাৎ তৌশিন্নবা ওইরম্বসু য়াই। অদুগুম্বা মস্তিক্লবগী থবক অদুদা এদমিরল চান চাকনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌখি। মখোঙ নাম্মতা পানবা এদমিরল অসি কৌমিন্টাং (কে এম টি) গী হোং কোংদা লৈবা মরু ওইবা মীওইনি অমসুং বৃটিশ ওথোরিটিশিংনা মথৌ তারকপা মতমদা মহাক্কী মতেং অসি লৌনীংদ্রবসু লৌবগী চাং হেনগৎলকখি। ফিফ কলম্নিষ্টকী মীওইশিংনা লানগী পনমাঙ (ফ্রন্টলাইন) মনীংদা থোকহনখিবা ঈরাং অমসুং অমাঙ-অতাশিং অদু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা তেংবাঙহন্নবগীদমক্তা, এদমিরল অসিনা কে এম টিগী মীচংদা লৈবা ভোলন্টিয়র ১৫,০০০ হেন্না রিক্রুইট তৌখি।

গুৱাংদোংদা মহাক্কী লান্মীশিংনা খূমাঙ চাওশিনবগী পাউদম অমা টেলিগ্রাম ওইনা থারকখিবা কে এম টিগী জেনরেল য়ু হনমৌগা চানগা ঈ-পাউ ইতৎ তত্তনা ফাওনৈ।

*চাননা দিসেম্বর ১৭তা ইরম্বা দাইরিগী মরোল* - "লান্মীশিংনা শেঞ্জেন য়ৌনা তকশিল্লে অমসুং হৌজিক হোং কোংদা লান্দারিবা য়েক্লবা লান্মীশিংগী মায়কৈ তম্না চঙশিল্লি হায়বসি ঐখোয়না (কে এম টি) খঙই। মসিদা ঐহাক নুংশু নুংঙাইরে অদুগা পেনবসু পেল্লে।" অদুম ওইনমক, নুমিৎ মঙানি লৈরগা এদমিরল অসিনা মহাক্কী দাইরিদা, অনৌবা চাইনাগী লান্মী থোমজিল্লকপগী ৱাফম অসি মহাক্লা বৃটিশকী মবূক্লীং চাওখৎহন্নবগীদমক্তা কা হেন্না পঙহায় হায়জিনবনি হায়না ইরম্মী।

*ৱো চি-মেন* - নৌনা থোমজিল্লকপা বৃগেদ অমগা লোয়ননা, জাপানিজ লান্মীশিংনা হোং কোং অসিবু থিংদুনা (ব্লোকেদ) থম্বা মরম্না, চাইনিজ আর্মিনা মসিবু নমখায়দুনা চঙবা হায়বসি কৈদৌনুংদসু ওইথোক্তবনি। হায়রিবা অথিংবা অসি তশেংনমক থুগাইবা ঙমগদবা চপ চাবা এটেক অমা চত্থনবা আর্টিল্লরি অদু চাইনিজশিংগী মফমদা লৈতে। চাইনিজ লান্মী থোমজিল্লকপগী ৱাফম অসি জাপানিজশিংনা মুন্না খঙবা মরম্না মতম পূম্বদা শেম-শাদুনা লৈখি।

**হোং কোং ঈথৎতা লান্দাবা : দিসেম্বর ১৮-২৫**

*ঔকজিলরি ফায়র সর্ভিস ওফিসর পোল শুই কচেউংগী ফোঙদোক্ত্রিবা নীংশিং-ৱারী (কুমজা ১৯৮৯দা ইরম্বা) দগী। শুই অসি মতম অদুদা কেইন রোদতা লৈখি* "বোম পোকখায়হনবগী থৌওংশিং অদু খৃষ্টমাশ মমাঙ ফাওবা চয়োল অমা চূপ্পা, অহিং-নুংথিল নাইদনা, নুমিৎ খুদিংগী শুংলেপ লেপ্তুনা চত্থখি। সেলশিং অদুনা খোঙজেল য়াম্না য়াঙনা পাইবদগী থোল্লকপা অশাংবা হ্বিশ হ্বিশ লাউবা মখোলশিং অদুগী মতুংদা বোম পোকখায়বগী হৌরবা মখোলশিং অদুনা নাকোং অসি পঙশিনহল্লি।"

জাপানিজশিংনা কোওলুন অসি লৌশিনখ্রবা মতুংদা মাল্টবাইনা, সেন্ট্রেলগা নক্লনা লৈরিবা ঈথৎ অসিগী অৱাং-নোংপোক থংবা সিম শা রোমদগী মখোয় চঙশিল্লকপা য়াই হায়না খনখি। অদুম ওইনমক জাপানিজশিংনা ঈথৎ অসিগী অৱাং-নোংপোক্কী মওং-মতৌ নারোন্দা খঙদোক্লবগীদক্তা দিসেম্বর ১৭কী অহিংদা - ওলিম্পিক মেদল্লিষ্ট অমা য়াওনা ঈরোইবা মীওইশিংগী কাঙবু মচা অমা ৱাংমা লান্না থাখি হায়না থাজনখি। মখোয়না, লানগী খোঙদাফম ওইগদবা মফমশিং অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা বৃটিশকী সর্চলাইট অমসুং ফুল্লম্বা মাইনশিং অদু মপাঙ্গল য়াওহনখিদে।

পুং ২৪গী মতুংদা জাপানিজ লান্মী ৭,৫০০না নোর্থ পোইন্ট অমসুং শৌ কৈ ৱান হায়রিবা মফমশিং অসিগী অকোয়বদা খোঙদাবা হৌখি।

*নেভিগী ভোলন্টিয়র ইরিক কোক্স-ৱা'করনা কুমজা ১৯৪৪গী দিসেম্বর ১৪দা থেরেশে ডল্লিদা ইখিবা অমসুং ডল্লিগী মচানুপা হগ ডল্লিনা ইবা এ ভোয়েজ টু ৱার (২০১৬) হায়বা, য়ুনিকোর্ন পল্লীশিং গ্রুপ্না ফোঙবা লাইরিক অসিদা য়াওবা চিথি অমগী ৱারোলনি। হোং কোংগী লান মনুং অদুদা কোক্স-ৱা'করনা থেরেশেগী মপুরোইবা পেটর ডল্লেগী মখাদা থবক তৌখি*- "জেপশিংনা নোর্থ পোইন্টতা লৈবা পেট্রোল ইন্সটোল্লেশন অসি শাগৎলকপা অমসুং মৈখু থোক্লকপদগী কারকপা মৈখু মপৈ অমগী মরুমদা খোঙদারকপা ঙল্লে।" ● ***(মখা চত্থজরকখিগনি)***

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৫গী ৱাহং**

১) "ঐহাক কালেন ছুটি লোইবা ফাওবা য়ূমদা লৈগে খনবনি অদুবু মশক উদবা থম্মোয়দতা ফাওবা ৱাখল অমনা চিংদুনা পুবদগী...।"
ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "চৈনা য়াওদবা চৈফু" হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু অদুগা অইবনা কনানো ইয়ু।

৩) "কম লেট অজ সোল্ব দি রিদলস ওফ লাইফ" হায়বা মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল মণিপুরীদু করি কৌবগে? ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৪) "নশুংলাংগী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "লৈকংলাগী নোঙ্গৌবী" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।